### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# এক্স পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সী-সী ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথুরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা এক্স পোলোক্লবৱাঙ্খৈ অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)-সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালবু লাকচনা ৯-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এল অতাংবনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ২.০৫দা এক্স পোলোগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৪.১৫ অমদি ৫.৩০দা গোল অনী অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৪.৩১দা ৱাঙ্খৈ টিমগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

কেপ্টেন পি ওজিৎনা অনীশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.১৭তা এক্স পোলোগী ৪শুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ৬.০০দা মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি। টি ঐচ জেকোবনা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ২.৪৪ অমদি ৪.১৫দা গোল অনী অমগা হাপচিনবা ঙমখি অদুগা এল কোকেশ্বরনা অরোইবা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৬.২৯দা এক্স পোলোগী মায় পাকপগী ৯শুবা গোল চনবা ঙমখি।

চিঙ্খৈহুনবগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি ঐচমনিসনানা অহুমশুবা চক্করগী ৩.৩০দা চনখি। মেটচ অসিদা এল তরুন অমদি টি ঐচ মোমোচানা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এম পি এস সী-সীনা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ-বিবু লাকচনা ১১-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

পুলিস টিমগী টি রোশননা অহানবা চক্করগী ২.৪১দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৬.২০দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। এস বিমোলনা অহানবা চক্করগী ৫.২৫দা পুলিস টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা মরিশুবা চক্করগী ৩.০০ অমদি ৬.৫৫দা পুলিস টিমগী মায় পাকপগী ৯শুবা অমদি ১১শুবা গোল চনবা ঙমখি।

কেপ্টেন এম জৱাননা অহানবা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.২৫ অমদি অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ১.২০দা গোল অনী অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এস অবুংচানা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ১.৪৯, ২.৫০, ৫.৫০ অমদি ৭.২৫দা পূন্না গোল ৪ চনবা ঙমখি।

লিঙ্থোইঙানবী লূপকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা প্রকাশ ভন্দারিনা অনীশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫৩দা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা টি ঐচ কাওবা অমদি এল থোমসননা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ-এ অমদি এম পি এস সী-বি থেংনরগনি। অনীশুবদা তেকচম পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সী-এ লম্বা তৌনরগনি।

### রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা সিক্কিম থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না শীন্দুনা বিহারদা চথুরিবা রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩গী ঙসি লাল ভাই কন্ট্রেক্টর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা সিক্কিমবু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা সিজন ২০২৩-২৪গী এলিট গ্রুপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

মণিপুর অমদি সিক্কিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। সিক্কিমগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৭১.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ২২৯ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বোলর জেটিন ফৈরোইজমনা ওভর ১৬ অমদি কিষননা ওভর ২২.৪ লংবদা ৱিকেট ৪/৪ লৌখি। অদুগা রেক্সনা ওভর ১৬ অমদি বিশ্বরজিৎনা ওভর ১০ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৬৩.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৬ লৌখি। বেটসমেন বি রাহমননা বোল ৯৫দা রন ৩১, কিষননা বোল ৬৭তা রন ২৭ অমদি জোটিন ফৈরোইজমনা বোল ৫০দা রন ২৫ লৌবা ঙমখি।

সিক্কিমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৮৩.৫দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৭৩ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা সিক্কিমগী বেটসমেন সুমিটনা বোল ১৬৪দা রন ১৬৮ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইখি।

ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বোলর জোটিন ফৈরোইজমনা ওভর ২৩.৫ লংবদা ৱিকেট ৫ অদুগা কিষননা ওভর ৩৫ লংবদা ৱিকেট ৪ অমদি বিকাশনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৯৬.৩দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩৪০ লৌদুনা সিক্কিমবু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বেটসমেন বি রাহমননা বোল ১৩৫দা রন ৭৫, বিকাশনা বোল ১১২দা রন ৬৪, কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বা এমনা বোল ১৩৬তা রন ৫২, শাহনা আউট ওইদনা বোল ৩০দা রন ৪৪, পি প্রফুলোমণিনা বোল ৫২দা রন ৩৪, রোনাল্ড এমনা বোল ৭৭তা রন ২৩ অমদি প্রিয়োজিৎ কেনা বোল ১৬তা চপ মান্নবা রন ১৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা সিক্কিমগী বোলর সুমিটনা ওভর ১৫.৩ লংবদা ৱিকেট ৬ অদুগা অনৱেশনা ওভর ৬ অমদি পালজরনা ওভর ২২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

প্লেট টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা বিহারগা থা অসিগী ২৫দগী ২৯ ফাওবা পাটনাগী মোইন উল-হক ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

# সী এম বিরেননা ঙাঙোম বালাবু পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ইন্টরনেসনল ফুটবোল প্লেয়র ঙাঙোম বালাবু ঙসি সী এম সেক্রেটরিএটতা মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর ফম পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে। বালা ২০১০দা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা নেসনল ফুটবোল টিমগী গোলকিপর পান্থোই চনুবুসু তরাম্না ওকখি। পান্থোই চহী অসিগী বেষ্ট গোলকিপর তাবদা নৎতনা ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনাসু ফংখিবী শান্নরোয়নি। বালা অমদি পান্থোই হৌজিক-হৌজিক স্পেনগী মার্ভেলাদা ট্রেনিং অমদি ট্রায়ল চথুরি।

সী এম বিরেনগী ফেসবুক পোষ্টতা থাগৎলকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা ইন্টরনেসনল ফুটবোল প্লেয়র ঙাঙোম বালাবু মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর ফম পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে অমদি ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী গোলকিপর এলাংবম পান্থোই চনুবুসু তরাম্না ওকখ্রে। লৈঙাক অসিনা ষ্টেটকী এথলিটশিং, স্পোর্টস প্লেয়রশিং অমদি ওলিম্পিয়নশিংনা লৈবাক অসিগীদমক অমদি ষ্টেট অসিগী মিংচৎ উরোং পুরকপগীদমক ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

ঙাঙোম বালা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিমগী ষ্টার ফোরৱার্দ ওইবদা নৎতনা মহাক্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীনবা তোঙান-তোঙানবা লীগশিং অমদি টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াখ্রে।

বালা ২০১৪, ২০১৫ অমদি ২০২০দা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পীবা ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখ্রবী শান্নরোয়নি।

মহাক ফোরেন ফুটবোল ক্লবতা শান্নবা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নুপী ফুটবোল্লর অমসুনি। মহাক ২০০৫দগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা হৌখি অমদি মখা তানা শান্ননবসু শেমশারি। মহাক্না ২০১৫দগী ২০১৮ ফাওবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা লুচিংলকখিবনি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই দল্লিয়ু সী, থাও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎসোই অমদি থাংমৈবন্দ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎসোইনা আই ভি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখ্রে।

আই ভি এস এনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩২.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৮ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎসোইনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ২ ৱাৎলিঙৈ ৱিকেট ৯ তুদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা আই ভি এস এবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখি।

লোইশিল্লকপদা ৱাই দল্লিয়ু সীগী ওল রাউন্দর লাইখুরাম জগৎনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৬.২দা ৱিকেট ৩ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৯২দা রন ৫১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাবা ঙমখি।

অমরোমদা, মোদর্ন হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থাও থাংমৈবন্দনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু লাকচনা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই পি ঐচ য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২১দা ওল আউট ওইদুনা রন ৭১ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা থাওগী ওপনরনা ওভর ১০.২দা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ললাম্বুং টিমবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখিবনি। মেটচ অসিদা থাওগী নোংমাইথেম সুরজনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৭দা ৱিকেট ৬ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

# 'ফ্যুচর ওফ স্পোর্টস ইন মণিপুর ৱিথ ফেয়র প্লে' হায়বা টোপিকতা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)না শীন্দুনা 'ফ্যুচর ওফ স্পোর্টস ইন মণিপুর ৱিথ ফেয়র প্লে' হায়বা টোপিকতা নোংমগী ওইবা সেমিনার কম দিস্কসন অমা ঙসি অয়ূক মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মণিনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসনগী মেম্বরসু ওইরিবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মণিপুরগী হান্নগী চেয়রমেন ইন-চার্জ য়াম্বেম লাবনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিবু খূৎলায় পায়বগী, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী, ঐচ আই ভি /এইদসকী অমদি করপসনগী ওইবা চনৈনরিবা খুন্নাইগী মরকসিদা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াদা শান্ন-খোৎনবনা অনৌবা ঈথিল অমা পীরি। শান্ন-খোৎনবনা শেল তিংদনা থবক ফংবা য়াবগী ওইথোকপা কয়া অমসু পীরি। মরম অসিনা লমদম অসিগী শান্ন-খোৎনববু থৱায় য়াওজবা তুংগী মঙলান চাওনা লৈবা নহা কয়া অমা লেপ্তুনা থোরক্লি হায়খি।

ঐখোয়গী আইদেন্টিটি অসি মপান লমগী মীয়ামদা শকতাকপদা স্পোর্টস পর্সনশিংগী মতেং লৌরগা তাক্লি। ষ্টেট অসিদগী শক্নাইরবা শান্নরোয় কয়া হৌখ্রে, কয়া অমসু হৌরক্লি অমদি ষ্টেট অসিদা শীংথাবগী লোইবা নাইররোইদবা শান্নরোয় কয়া থন্না লৈরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সেসন অহুম থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা অদুগী অহানবা সেসনদা ওলিম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবা, মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা ৱা ঙাংখি। অনীশুবা সেসনদা এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্র, হোক্কী ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী হান্নগী সেক্রেটরি সী ঐচ তরুনকুমার অমদি স্পোর্টস কম্মেন্টেটর রত্নেশ্বরী গোস্বামীনা ৱা ঙাংখি। অহুমশুবা সেসনদা মণিপুর এমেচর কারাটে এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কিরনকুমার থাংজম, হোক্কী মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইময়ুম বসন্ত, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট শরত কোন্সম, স্পোর্টস কম্মেন্টেসন শরতচান্দ থিয়াম অমদি ধনবির লাইশ্রমনা ৱা ঙাংখি।

# প্রধান ট্রোফি : এম ৱাই দি এ অমদি য়াইওইবী এফ সী ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথুরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা এম ৱাই দি এ এফ সী অমদি য়াইওইবী এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হয়েল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এম ৱাই দি এ এফ সীনা দ্রেস হাউস এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা দয়ানন্দদা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা এম ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়াইওইবী এফ সীনা কেনেদি এফ সীবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সোহানোইনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা য়াইওইবীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। চিটসঞ্জননা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা য়াইফনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি। কিষননা অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা য়াইওইবী এফ সীগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা য়াইওইবীগী অনীশুবা গোল চনখিবা চিটসঞ্জনবু রেফরিনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# স্টেট পেনকাক সিলাট টিম তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
মহারাষ্ট্রগী নান্দেদতা লৈবা শ্রী গুরু গোবিন্দ সিংহ জি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৩দগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ ৪নি চুপ্না চথুরকপা ১০শুবা প্রি টিন, সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুরবা নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা গোল ১২, সিলভর ৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ২৩ ফংবা ঙল্লকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী জুনিয়র কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় ৮বু চহী অসিদা কজাখষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

শান্নরোয়শিং অদুদি হিজম মেরিনা, লৈশাংথেম সোফিয়া, সী ঐচ অঞ্জু, এম রোশন মৈতৈ, টি ঐচ নেরোসিয়া চনু, ৱাই জেনিতা চনু, টি ঐচ দয়ালক্ষমী চনু অমদি টি ঐচ বেনাও চনুনি।

ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা মহারাষ্ট্র পেনকাক সিলাট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী লাকপা পূন্না টিম ৩২না শরুক য়াখি।

অমরোমদা, পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা চাওনা মায় পাক্লকপা অমদি শান্নরোয় ৮বু এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইরকপা অসিদা হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# ওল ষ্টার ক্যামগৈ প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথুরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ওল ষ্টার ক্যামগৈনা ঐচ আর দি ও সমুরৌবু ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওল ষ্টার ক্যামগৈনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপকী মকোক্তা লৈদুনা প্রি ক্বার্টর চঙবা ঙমখিবনি।

এল ঙৌবনা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা ক্যামগৈ টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টি ঐচ কিরননা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা ক্যামগৈগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনখি।

ঐচ ঙম্বা অমদি এস অভিনাশনা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা ওল ষ্টারগী মায় পাকপগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা সমুরৌ টিমগী নেপোবু শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি এ সী পুখ্রম্বমনা ঐচ এ এফ সী হাওরৈবীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুখ্রম্বম টিমগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু সনামচা অমদি ধনচন্দ্রনা শান্নবগী ১১ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। হাওরৈবী টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন জি রোশননা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা হাওরৈবী টিমগী তাপেশ্বর, মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ ২ শান্নরগনি।

### ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# পেন্থা খুফু, জাফৌ-এ ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ওপন কেটগোরিগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা পেন্থা খুফুনা লিৱা সরৈবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা পেন্থা খুফুনা জাফৌ-এগা থা অসিগী ২৫দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। পেন্থা খুফুগী গোল অদুনা এন জি রোলিশনা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা চনখি অদুগা লিৱা সরৈগী গোল অদুনা আর মিসেলনা শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা লিৱা সরৈগী মায়কৈদগী কে ঐচ অংনিংজেই মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা পেন্থা খুফুগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩- দল্লিয়ু দিম্বর, এন দি বিসেস্বর অমদি এন জি ষ্টেফেননা গোল ওন্থোক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

## ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
এ আই এফ এফ অমদি অম্ফাগী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওইবা এ আই এফ এফ ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স ফেব্রুৱারী ৭তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা কেনিদদেটশিংনা মশাগী ঈ-মেইল আই-দি অমদি মোবাইল নম্বর এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদা পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

## এস বিরচন্দ্র লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপর দিভিজন লীগকী দোনর ওইবীরম্বা শৌগাইজম বিরচন্দ্রনা মহাক্কী য়াইস্কুল মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তা লৈবা ময়ূমদা থা অসিগী ১৫দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদববু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

### ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট

# খুবুংখুনৌ নোবোকোম অমদি তৌপোকপী সেমীফাইনেল চঙখ্রে


ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২০(ঐচএনএস):
চকপীকারোং পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুবুংখুনৌ নোবোকোম এফ সীনা তাম্পী য়ুঠ ক্লবপু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

খুবুংখুনৌগী আর দি জোননা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা জেদ্দিনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা নোরিংনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা তাম্পগী অনীশুবা গোল চনখি। এস আর ফভালনা শান্নবগী ৬৫দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ২-২দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং অর্লি ষ্টারনা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা খুবুংখুনৌগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা লাম্বুং য়ুঠ কলচরেল ক্লবনা মেটচ শান্নরিঙৈ মরৈ য়েৎনবদগী ফিল্ডদগী মপান থোকখিবদগী মখা তাবা শান্নদনা তৌপোকপী য়ুঠ ক্লবতা ৱাক ওভর পীদুনা মায় পাকহনখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 693**

**W. Wilson - L. Friedberg**
**Ventnor City, 1975**

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nc3 d5 | 3.Bg5 Nbd7 |
| 4.f3 h6 | 5.Bh4 c6 | 6.e4 dxe4 |
| 7.fxe4 Qa5 | 8.Bd3 Qb4 | 9.Nge2 Qxb2 |
| 10.Rb1 Qa3 | 11.Rb3 Qa5 | 12.O-O Qh5 |
| 13.Bg3 e6 | 14.Qe1 Be7 | 15.Nf4 Qa5 |
| 16.e5 Nd5 | 17.Ncxd5 Qxe1 | 18. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 692 Ans. :**

49. ...Qd6
Your moves:49...Qc3
Your moves:49...Qc8
Your moves:49...Qa5
Your moves:49...g5+
50. g4 Qf6+ Desperado 51. Qxf6 stalemate
49. ...Qc8 50. Qf6 Qg4+ 51. hxg4 stalemate
1/2-1/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com